
# ইন্নফি


খোইরোম ইন্দ্রজিৎ



থম্মোয়গী চিবুকনুংদগী ফাওরকখিবা ব্রাখলগী য়োংখমদা থরাকনিপান খনগৎনা শাখিবা ইন্নফিনি। কয়ারকসু ইন্নরবনি। খক মল্লু য়াদে। নৌহৌনা অরি অনৌ তাইনবা ঙম্মি। ফনমক হায়জরবসু ইশানা শাগৎচবা, খনগৎচবা শৈরেং ওইবনা কয়া কুইনা লুবাকতা লিগনি। ঙাংশিল্লগনি খনবদগী হন্দকতি ফোংখিবসু ফোংদবসু পুনশিল্লগা শৈরেং ওইনা নুংশাদা ফৌদোকলগা ইন্নফি ওইনা পুথোকচরিবসিনি।

ইথৌ শুনিংদবা, য়ুমকৈগী থবকথানাদা মাই ওনশিননিংদবা, শরক ফংবগা খুল্লক লৈরকতা কোইনা মতম হৌখিবা, হরাও তয়ান্না কুমৈ ফিওংদা তাওদুনা ওইজবা শিৎপা খঙদবা নহা ওইবগী পুন্সিনি, হৌখিবশিং পুনমক। নিংশিংবগী মিংশেলদা শৈরেং কয়াগী চাবোক কুংখিবা ক্ষেনফম শাগৎপা ঙমখি। সমাজকীনি, জাতিগীনি হায়না চেন চোংবা নত্তনা করিসু ঙমদবা মীওই অমা ওইনা চোংথোকখিবা মীওইনি। অদুদগী হৈনবা হায়সিনা হৈনখিদুনা শৈরেং ইখিবনি।

ঐবু নুংশিবিবা মরুপ মপাং ময়াম্না মতেং পিবিরকপনা ইন্নফি'সি শৈরেং লাইরিক ওইনা শেমদোকলগা ময়ামগী মাঙদা পুথোকপা ঙম্মিবনি। ঙমগনদবা ঐনা ঙম্মিবশিগীতমক লমন তমশিনজরে।



# ইন্নফি

# ꯏꯟꯅꯐꯤ

খোইরোম ইন্দ্রজিৎ

| | |
|---|---|
| **অহানবা ফোঙবা** | রাসপূর্ণিমা ১৪১২ বঙ্গাব্দ<br>নভেম্বর ২০০৫ খ্রি. |
| © | লেইশেম- লিকলা |
| **ফোঙবিবা** | বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ<br>কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ। |
| **মখুম** | খোইরোম ইন্দ্রজিৎ |
| **লাইরিক নমফম** | মুদ্রণবিদ কম্পিউটার অ্যান্ড অফসেট প্রিন্টার্স<br>কলেজ রোড, শ্রীমঙ্গল। |
| **কম্পোজ** | মি. লক্ষীকান্ত সিংহ, নির্বাহী পরিচালক,<br>একডো, সিলেট।<br>নোংমাইথেম অশোক কুমার, মাইবম প্রমোদ<br>বাচাতন সিংহ। |
| **মমল** | ৭৫ টাকা (বাংলাদেশ)<br>৬০ রুপি (ভারত) |
| **INNAFI** | A Collection of Poem by<br>Khoirom Indrajit in Manipuri,<br>published by Leishem – Likla<br>on Rasa purnima November 15, 2005. |

চানবী হৈবা মীওইবগী গুণ
অমসুং
ইজাতিবু য়োকখৎক্কনি খন্না
চোংথোকলিবশিংগী মফমদা
কৎথোকচবা

## ওজা ইবুঙো তাদ

করম্বা মওংদা সমাজ শেমগৎকনি
মদুদি
মীখৎ তৌনা নত্তে,
মীৎ খানা যেংগদবা নত্তে
প্রেমিক অমগুম ঙাওবা তাই
ভাবোক অমগুম রস চেনবা তাই
পন্ডিৎকুম যুক্তি পীবগী দরকার লৈতে,
অঙাওবগুম পংঙাং ঙাংফম থোক্তে।
স্বার্থত্যাগ তৌগদবনি, অরেম্বা চানিংলোইদবনি
মতমদুদা য়াইফ মঙ্গলগী মীৎয়েংদা সমাজ শেমগৎপগী তাংফমনি।
ফরে–
অদুদি যাত্রাগী য়ুম্বী য়ুংখৎপিরো
ৱাশক কাইবিনু।
মহৈ চারমদাইদা নঙনা চাওই-ঐনা তোল্লি খল্লবদি
মহৈসু চাবা ফংহৌরোই
ঐগীনি হায়না শরুক তান্নরকপদা মউসু য়ান্থৎখিবা য়াই
খানা য়েংবা মীৎয়েংনা কংখিবা য়াই
মন্ত্রগুম থাজবিউ
প্রেমিক্কুম ঙাওদুনা কোনশিল্লু
রসকী ধারানা ভাবোকশিংগী পুক্লিং হুহল্লু।
অদগা–
চানবিদুনা পন্ডিৎকুম যুক্তি পিরবদা একাকার ওইখিবা য়াই
অঙাওবগুম ঙাংলুরবদি হোৎনজমনগী মহৈ লৈরোই।
য়ানিংদ্রবসু প্রেমগী রসনা সুমহৎখিদুনা
অমদি - সমাজ শেমগৎপগী থৌদাংদা হেনজিনখিবা য়াই।
সমাজকী মনুংদা মওং মওংগী মীঙাক্লি।
মাগী মাগী মফমদা মাক্লা মাক্লা চাওজবা ঙাক্লি
মদু চাওফম থোকপা মাগী অধিকারনি।

## চয়েৎনবা পুন্সিগী শৈরেং

লুহোঙবগী বার্তোন চে'দুদা অসুন্না ইরি-
চৎনবী পোৎয়েংগী মহুৎতা
নুঙায় য়াইফবা নিবিবনা হেন্না পামজৈ।
ইজৈ হায়বদু'মঙায়
য়েংবদা কুম্মৈ, মীঙাকনত্রি, পোৎয়েং-
নত্রি- অদুতসু,
পিনরী-
মপা মপুগী পুরোন পারেনগুন্না
মমিং মথা পিখৎনরী।
বার্তোন চেদা ইরম্বা লোনসিংদুদি
শুপ্নগী 'মতু' উৎপগী ম্যাজিকনি
লুহোংবদা চঙখিবা শেন হঞ্জিন্নবা উপায়মনি।

মমুৎ তারবা পুন্সিগী শৈরেং
মখোয়গী চৎনবী হোৎনবদা
অদুম চয়েৎনখি।

## হুইদুম ওল্লসিরা

ঐনা খল্লকলিবসি ফনা মকুইরে
অদুবু
হন্দক্তি চান্ননা মসিনবু চুম্মমারে মখল্লকলে।
মী'মগা মী'মগা য়েংথিনবা–
মীনুংশি চেন্নরকতবা,
চিনথিবা, নমথাক্কী শরৌশিংসি উরগা–
অহোইনসু নোংমা নোংমগী চুমশিল্লকলি।
শরৌ হৈরবা, চিনথিবা নমথাকপশিংগী মফমদা
ঈশ্বরগী ৱায়েলফাও চিনথিবনি হায়রি,
মখোয়গী মওংসি উরগা
মরিক চুম্লবা ৱাখল কয়া'মা
হুইনা লাইফম চৎকে থৌরাংজববু
থোঙ্গালদগী চিকননা হল্লকখিবগুম
চুম্লবা ৱাখল কয়া'মা ৱাখলনুংদা
ওমচাক্লদুনা নিংশিং নিংশিংলকপদা
থোঙ্গালদগী হেন্দোকতবা হুইগুম
খোংনিংলকলি
মপু নৎতবা অতৈশিংবু
মফম চানা অমুক্তং চিকনিংঙি।



CamScanner

## অকোয়বগী অকোয়বদা

অকোয়ববু চেপথহনবা ঙম্নবা তানবা থেংনৈ
মখোয়দি অকোয়বদগী থোকনা কোইনবা হোৎনৈ
অচুম্ববু করিনো থিনবদা মপুম থিৎনৈ।

অকোয়ববু হজিন্না কোয়দুনা লৈশিন্নতা লৈখ্রবা
লৈথোকফম হন্দোকফমগী পাম্বৈ থিবা থোকত্রবা
থনুংদা ওমচাকননা হোৎনজবদা মপুম থিৎচরবা।

অকোয়বগী লম্পাক তমখ্রবা খোঙচৎনা
পন্থুংফম ফঙগনি তানরিবা মখোয়না
হন্দোক হজিন অকা অকুম
থোরকফম খঙদনা তিংথোকচবা পাম্বোম
হকচাংগী কয়াৎনুংদা চেৎনা চান্না লোৎখি তরাম তরাম।

অকোয়বগী অকোয়বদা হৌরকফম থিরী
মাক্কী মাক্কী থোকপা লংলা লংজিন পুথোকনরী
থিরী পুথোকনরী

অকোয়বগী অকোয়বদা
হৌরকফমদা, মউদা মচিদা।

## নুংশিবগী অশেংবা শকতম

চাকথুঙ ফিদুংদবা, চদৎনবা অঙাং অদুনা
মমাগী খোমলাং ফংদনা ৱান্থ ৱান্থদুনা
কপ্পদু উরুরগা–
হান্নগুম মীনুংশি চেন্দ্রবা ঐগী কংলবা থম্মোয়দা
থুক লাওরকখি।
নুংশি নুংওনগী লম্পাক্তা
নঙ– ঐ মপোক'সিমগী থুংনসিকো হায়না
খুদোল পোৎ পিনখিবা–
চহি অনৌবা লাকপা খুদিংগী,
নঙ– ঐগী পুন্সিদা নুঙায় য়াইফবা পুরকপা ওইসনু।
ঈশিং নুংশিৎনা স্বাক্ষী ওইসনু,
কয়ারক থাং চিকনখিবা;
পুন্নমক ওইথোকতবনি– নমথাকনি
চিনথিবশিংগী পাওতাকনি
খক থাজরুগনু।
অচুম্বদি–
মমাগী মথাদা খোম্লাং ফংদনা ৱান্থদুনা কপলিবা অঙাং–
খোমলাং য়াউদ্রবা খোমজিন ইন্দুনা মচাবু নমথাক তৌরিবসি–

অচুম্বনি– মকত্রবা নুংশিবগী খুদমনি।

## শুপ্নগী নুপীদুদফাও

তমথিরবা মীনাইগী মপোকসিদা
মীখা পোল্লুবনা,
ফজরবা ঐগী ৱাখল ময়োল
অমুক নৌহৌনা চোংলকত্রে।
হংগাম মতোন থৎপগুম
হিংথৎ থৎখ্রে।
অমুক নৌহৌনা চোংলকপগী আশা লৈত্রে।
হায়নিংলম্বা, খংহননিঙলম্বা কয়া
অমুক হায়দোকপা ঙমখিদে।
মরাল লৈজদ্রবা অঙাংদুদসু মপাগী নুংশিবা উৎপা ঙমখিদে
চদৎনবা অঙাংদু'গী মপুক থলহনবা ঙমখিদে
লিকলবা মাক্কী তলব, মতিক চাবা অৱামন
ফমনাইবা অমা ওইবা ঙমদবা–
মীনাইগী তমথিরবা মপোক;
চারা নাম্মগী খনবদা,
চাবা লোইরগা চাবগী খনবদা–
ইকাই খুম্ননিঙাই ফিতৎ অমা থিবদা;
নুমিৎ য়ুংখিরম্মী– নুমিদাং য়ৌশিল্লকখি।
মদুগী মরম
চেগী মপৈ অমমম তৌনা লোইশিনবা তাখি,
ফমনাইবা অদুগী তাথি তাওই তৌবা;
হল্লগা, নুপী অদুগী নাওথি শাগদবা, শুগৎলক্কদবা
অনি অদুগী– তমথিববা মুর্তি অদো খল্লুবদা,
অহোইনা মীপাই থিখি।
চেথি শুবদা নুপী অদুদা মতম পিবা ঙমখিদে
শংবানরবা মঙগী ৱারী লিবা ঙমখিদে।
তঙাংলবা মখাজাইদা নোংমতা চুপ্পীব্লুদে,
অঙাং অদুদসু নাতোনগা নাতোনগা
ৱাইননা তকননা লকনব্লুদে,
শুপ্নগী নুপীদুদা মতম পিবা ঙমখিদে।

## নখোয়বুদি খংবিদ্রে

মতৌ নুংশিমন্দনা মমায়দুদা তিন শিৎচনবা
মখাওদগী রুমাল পুথোকলগা তৈথোকখি।
মওংদু উরগা– শাওনিংনা কাওশিনববু–
লোঙতা তাখি ...।

মমায়দু লাংশিল্লগা হায়রকখি–
নখোয়গী মরিক চুম্লবা ইতিহাসতুদগী
তিনতোৎপা মাইসিবু হেন্না চাল্লী।
খোঙফম তাবা থাবাকসিনা হেন্না খংঙি
নখোয়দি ইতিহাসকী নম্বো পুবদা নখ্বাং কোল্লে;
নখোয়না নুংশিজদবগী ৱাতনি,
ঐখোয়দি মতিক চারে।
মীয়াম্না খঙনরিবা মণিপুরী হায়বদো
ঐখোয়বুনি– ঐখোয়।
নখোয়বুদি খংবিদ্রে।



CamScanner

## খ্বাংজেৎ

কনাসু ৱাহংগী পাওখুম পুনমক পিনিংদে মচিন্দা-
ৱাহংগা পাওখুমগগী শুকখ্রবা কাচিন্দা
লোন্না খোংদারিবা অনৌবা ৱাহং পোকলবসু,
অনৌ অপেনগী নৈনা খোংচৎতুদসু
পংখৈদা খুরৌ তারকখি।
থোপকী মরৈদা নুংনাংঙিবা
ৱাখলনুংদা চরকচহিংনা চয়েৎনরিবা
সনাহিদাক কোকথরবা মিংশেলগুম- শামনা উনরকলিবা,
পাওখুমগী কোয়েৎ ফিজাং তারিবা
ৱাহংগী খ্বাংজেৎতি চেৎনা লাকশিনখি।



CamScanner

## হৌজিক্কী শুরোন

খুৎপায় চেৎতবা শেনফমনা
ললোনপোৎ থারি য়েনাখাদা,
থোংগান লাল্লু য়াদে
শম্বল রাংমা চৎলু য়াদে।
মহুৎসু মাংবা
শেন্দোংসু ফংদবা,
করি কানরে– ফিংগারুক মমাই চোন্না
ঙবোংনা নাওশুম শানা,
মাঙখ্রবা অনাইরং
তরেংনা হনবা লং
লৈরিবসে জগোয়খকতা ঙাইরবনি।
পুঙ ঈশৈফাওনা মাংশিল্লকলবনি,
মুৎত্রিবসে ইপা ইপুনি
মাংদ্রিবসে হৌজিক্কী শুরোন্নি।

## মীমানবা মীশিংদো

খুল্লক লৈরক্তা খুং উংবতৌনা
উংনতা লৈবা, মফমদগী হেন্দোকতবা কাংবুশিংদো
তরা তিল্লগনা তিনগুমনি
মীমানবা মীশিঙদো।
অফবনা শানিংঙিবা–
ইফৎ ফৎতবা, মীমানবা, মীফৎতবা, মীশিঙদো
মনুংদনা তিনজংবা,
মীমাংদনা অফবা ৱা ঙাংবা–
তুং লৈথোকপগা ৱাকোই শুবা,
মখোইদু করি নুমিত্তা–
ফরক্কদবা, মীমানবা মীশিঙদো ।

## তুম্বগী নুঙায়বা মফম

হৌগৎপগা তুমন্বা ফৎতে- হৌনদে
অদুনা হকচাং ফৎকন্দে।
তুম্বা হায়বসিদি লুখ্রাবীগি লন্নি,
শকয়েং কেফম কানি।
হাংলবা মীৎয়েংদা শামখ্রবা খুৎয়েংনি,
তুম্বসিমক- অচুম্বগী মনুংদা তুম্বগী চাংয়েংনি।
ফজনমক নঙনা তুমনিংলবদি চাং য়েংঙু
অমুকহন্না নমাগী পুকনুংদা হনজিল্লু-
হনজিনবা ঙস্রা য়েংঙু।



CS CamScanner

## হিংনিংবা

চুম্মী হায়নরিবা পুনমক চুমদবদগীনি
অঙানবা শরুকনি হায়নরিবদুসু অমম্বদগীনি
শিবা নাবা হায়বমা খন্নরিবদুসু হিংঙুবদগীনি
অদুনা
থুকৎলুবা পুনমক মাংখিরম্মী
হিংবদি মচু তানা হিংনিংলম্মী।

## নুংশি চেংলৌ

মালংবদা লোন্না হংজরুই
নোং মৈপেরক্তা চৎচরুই
থিজরুই হাংলবা অতিয়াদা
ককঙাওনরে ঐদি মাকপু উদবদা
হায়বিয়ুনে– কদাইদা লৈবগে নুংশিবিদো
উজনিংই নুংশি চেংলৌদো।

ককঙাওনরবা ৱাখলনা তং তাহন্দে ঐবু
লাংতকনহল্লে ঐগী থম্মোয়বু।



CamScanner

## পন্থুংফম

চুন্নবা হোৎনবদা শরৌ তানরিবা
মাংদা চেনখৎনবা লমজেন তানরিবা
ঙন্নমক হিংনবগী
চারোন শুরোনগী

পুন্নমক পন্থুংফম পামবদগীনি
মীওইবগী হৌনা লীচৎনি।

## শিনজনবা

চুম্মী হায়নরিবা পুনমক শিনজনবনী
অনা অয়েক পুনমক মহিক থাংবনী।

পামজরুবনা পেনদবগী পাম্বৈনি
নিংজরুবনা নিঙমদবগী হৌরকফমনি।



CamScanner

## ক্বাসু উতোং

হনুবী অমা লৈ– মঙৈ নিকই
চৈশু অমা পাই– হাইরং হাইরং তৌই।
মশু নুপা'মা লৈ– ক্বাসু উতোং পাই
মশু নপী'মা লৈ– চৈশু পাইনা শান্নে।

হনুবীদুনা ক্বাসু উতোং শুই
তোং তোং লাওই।



CamScanner

## চাক থিবোং

ব্রাকবোক চিংঙি নাপং উরিকনা তাবিদে
গুলাই কয়ারক কাপ্পি উচেক অমত্তা পানদে।
খোই চোপ্পী ঙা থুদে
লু থুম্মী ঙা চংদে।

লোঙ খোল্লী ঙা লকতে
নোংজুপাম্বানী খঙনা খঙনা য়েন্‌পাক উপতে।
মুকনা শান্নে ঙমদে
কাং কাপ্পি পানদে।

লৈকাইনা লকনবী চাকথিবোংনী হায়না
ইমানা ঙাংবী মীমান্নদবনী হায়না
অঙাংশিংনা ঐবু থৈবোং মরুনি হায়নৈ
হৌজিকতি তরাম তরাম শোন্নে।

## নষ্টালজিক

চরু ইকুরক্তগী লমথোং লান্দুনা সনথোং য়ৌরকপসিদা
ফিভম চাদে খঙনা লকনবিবা কাঙবুদো ইকুরক্তা শানহৌরি।
ৱাতোন কানবী শানবদা শোকপগা শিবদু শিনিংখি,
শিগে ৱারেপ্পা শোকহনখিবদুদা ফাওরকখিবা ইনিনদুনা
লৱাই লৈতোন য়ৌহনখি।

মরুম কোনবী শানবদা কাংবগা চাখিবদু
ধাক্কা শানবদা ডাবল ককখিবা
চি হাবদা শ্বর থবেৎ হোনখিবা
অহাংবা লবুক লমহাংদা হায়না হুমনা চৎখিবা
অরেম্বা ওইরমদরে
নুঙায়না হিংবগী
পুন্সীগি মমুৎ তারবা অর্থ থিবগী মচাক ওইরমলে।

## ফিরাল

নীংতম্বগী মঙনা য়াহিপ তান্‌জবী
শাখপ কন্না খপতুনা পাইরিবী
কাইদোংফম, চাকতাফম থিরিবী
পাকখ্রবা মলেমগী অতিয়া পাংনা
নোংহৌ মরক্তা পাইরিবী চেক্লানা
নীংতম ফিরাল পাৎতন্না
তৎতনা পাইরি অয়ৌবা তন্না।

## মীমান্নদবা

খনজরুবা পুনমক মখোয়না অরেম্বনি খনখি
মরম চাদবা, কানদবঙাকনি হায়বী।
থাবল ফবা অহিংদা ইদোম য়েংজররুবা নুমিৎতুসু
থাজি থানৌ হৌরে হায়বী।

পুন্সিগা নক্লদবা ৱাখললোন;
য়ুমশালোন্দা চংদবা মচাক,
হিংবদা তঙাইফদনা তৌগদবদা
নাচুংলুদবা–
নোংথক্তা য়েংবদা হৈনগন্বা
মথৌনি খন্না শুজিননিংদবা
করিসু নত্তে খঙ্হোকপা উরগা–
থাজি থানৌ হৌরে খন্নবী।

থাজি থানৌনি হায়রিবা মীওইশিংসু
থাজি থানৌ হৌবা মীওইনি।
মীমান্নদবা মীসু মীথোই মীহেন ওই
মীথোইদি মীমান্নদে।



CamScanner

## থুজরুনি লাং

নিঙোল মচাশিং চৎলি সড়কতা
মপি তৈথোকই মমিৎতা
নিপা মচামনা লকনররুই।

ৱাতা হৈবী নিঙোলনী
হায়নৈ– তাৎ হৈবীনি।

অহনশিংনা হায়নৈ–
য়েংঙুনু কুম্মৈ
থুজরুনি লাং
শানবা যাওরুনু কাং।
মতমনবু য়াবিগদ্রা ৱাফমদুবু
নোকনিংদ্রবসু নোকপা মতমদুবু।
মেত্রিক থাবদা মেরেজনি
নুঙায়খিবদগী মাংবনি।



CamScanner

## ইমালোন

মলেমগী মলয়াদা ময়েক
লোনগী লোনগৈনা
শকতাকখি শকখিবা শৈশক্লা
বাঙালিশিংনা বাংলাদেশকীতমক।
নিংখাইরম্মী নিংতম্বগীতমক
মচিথাংবা মরৈ
মীহিংশাগী মীওৎ মীনৈ
নিংজরুবা নিংতম্বগীতমক।
মঙলুবা মঙ
পুরকখি পুখৎলকখি পুয়া পুথাং
মকালান্না মপুং ফানা মলেমগী ময়াইদা।

ফিরেপ ফিদমনখি ফিরালনা
পৎ পৎ পাইরি পাফল
নিংতম্বা
অৱাংবা অতিয়াদা।

## খোঙচৎ

মঙলান্দা মঙখিবা মঙ মপৈশিংদো
মখল মথেনগী মচুঙাকনি,
মঙ মঙবসিসু মনুঙায়মনি,
হায়দোকঙমদ্রবসু হায়হুমনা
ইংলবা ইংথমগী ইংখোলনুংদা
নিংশিংলকখি ৱাখলনুংদা,
করিগী কল্লকলুরি কনঙমদ্রবসু;
হিংনা হিংনা হিংনিংদ্রিবা–
নোকনা নোকনা নোকনিংলকত্রবা,
পুথাংঙমদ্রবা পুন্সিগী পন্দুপশিং
মতমনা মাকপু ময়েংবিদ্রবা
অন্থোকপনি অতিয়া– অরেম্বনি
খনখি খঙহৌদনা।

পুন্সিগী পল্লেপফম পরিং পরেংশিং
পুক্নিংগী পুগৈনুংদা পুনখি,
পুন্সিগী পুয়া পুথাং পুথরকখি
মায়োকনহনখি মায়োকৱা।

অদুদগী অচুম্বা অর্থ
থিখি থেংনহনখি।
লেপতনা লেংগোন্ননা লেংমান্ননা
খোঙশানবিনখি খোঙচৎ খুদিংগী।

মঙফাওনহল্লী মতিক মগুন্না
শাগোন্নহল্লী শংফানরবা শকলেন্না
শিনরকখি শিনথুংঙম্বা শিদয়াই।

## থম্বাল লৈকোক

(মনিপুর ঙমখৈ ঙাকপদা থৱাই কৎখিবশিংগী মফমদা কৎথোকচবা)

চুম্নরম্বা পাথাপশিংদা তাৎ চংলম্মে
শম্বল খাবা ইংখোলদা ষণ চংলম্মে।

হান্নগী ঙমখৈ থুগাইনরকলি
মহৈ মরোং তেংনমক নমখায়রমলি।

পাৎ ঈশিং কংলে– লম্পাকনি খংনরে
খুনাম তাবা লম্বী থাদোকনরে লমজাও কানরে।

ইরাং হৌরে কৌব্রু চিংদোন্দা
মৈ ৱাইরকলে থম্বাল লৈকোক ফিজিন্দা।

## চুমথাং

ৱাখলগী খোংজোম তুরেলদা কুমদুনা শানজরুই
নিকনিক লাওবা ঈশিংগী ইপোমনা ইথাদা য়ৈরৈ।
সনা অহিংবা মচুনা নোংথাং কুপলকলি
থম্মোয়গী চিক্লবা কাদা তৎতনা লাইবৌ শারকলি।
নোংশা মশেকনা য়ৈররী নোংফেললক্তা।
হুমাং মরিকনা শিনথরকলি লাইবক্তা।

নোংপোক অতিয়া শিনথুংনা চুমথাং খল্লকলি
ৱাখলগী থোংজাও হায়দোকলকলি।

# অঙ্গোক অনশিন

হলেংদনা হোৎনরবসু হোরৎলি হোগদবদা
হোৎনজরুই হোদনবদা।

থির থিরগা থিনরকখিনি
খংঙিমখৈ খংনিংলকখিনি
অচুম অরান অঙ্গোক অনশিন্নি।

মকোক মতোন ময়েকনি
হৌজিক হৌখ্রগা হোরেন হায়গনি
অওনবদা অনশিল্লি– অচুম্বদি অমত্তনি।



CamScanner

## শকতাক শকলোন

মীওইবশিংগী মীহিংশা মীওৎ মীনৈনা
মরমচৎ মতিক মগুণ মাংনরকলবদা,
মাইকৈ মাইকৈদা মখোইগী মৱা মপাওনা
তাথি তাওইনা তন্নরকলে।

তৎলবা তারদা তোইনা তোইনা
শৈশকতা শৈহেকতা শেংনা শেংনা
হায়নরকলে হায়নহৈদবা হায়রোইদবশিংদো,
খংনরমদবশিংদো খরা খরা খংনরকলে।

তুহৎপদা তুদুনা তুজুংলবা;
মখোয়গীতমক মঙবিরুবা মঙ
হায়দোকখিনি হায়না হায়দোকলুদে।

# ফমেন

নমথাকতসু শেনদোং তানরবা
অচুম অরান অনথোক অনশিন শেমনরবা
হায়নিংবতা হায়বদা অপনবা লৈত্রবা,

শংনিংবা মচু শংবা
অঙৌবা মচু পামনদরে
চিনথিবশিংনা ফমেন ফমনরে।

মথকসু কিরে মখাসু থাজদ্রে
হান্নগী চৎনবী অমত্তা য়ানদ্রে।



CamScanner

## মীওইবগী নাপ চিকনা

শান্তিগী খোলাওনা লানগী খুৎলাইগা
চয়েৎনহল্লী ৱাখলগী লমখৈ– থাপনহল্লী অমগা অমগা।
মানবতাগী ফুম নোমলবা মলেমগী শেগাদা
ফিরাল হায়গৎনরী থকখাদা।

তুশোন্ন কাইদোংলগা মরোন থোকঙমদবা খোন্থোকনা
মীওইবগী নাপ চিকনা,
ঙমখৈ লৈতনা নুংশিবগী অমৃতবানী তাহল্লী।

ফিজং মরুমদা মলেমগী করাম চাওবা মমিৎ পাংথোকলকলি;
লানবু শান্তিগী ঙমথংনি হায়নরকলি
তপ্না তপ্না অঙৌবা ফিজং চিংখৎনরকলি।

## থোংজাও

অতৎ অখম নাইদনা চৎথরকলিবা পুন্সিদা
ময়েক শেংনা নুংশিবগী খুদাফম শেমনরি।
ৱাখলনুংগী হিদেন্দা কুমদুনা ইরাকনরি
খুজেং পালোইনদুনা।

চুন্না য়েংবা মীৎয়েংদা
থুংনবনা অপেন্বা শকলবসু
অপেনবগী থোংজিন কানশিনবতা হৌরি
নুঙায়বা- অপেনবগী থোংজাও হাংবা হৌদ্রি।

## চাংয়েংজবা

মশাবু মশানা চাংয়েংজনা চাকশিনবা ঙমজরবা
অকাই অতোইনা মোংফমবু শাগোন্নজবা
মীহুন ফাওদবা তয়িংবা হকচাংদা,
খুৎলি শুধনা, থজিন ফাধনা, মীহুন ফাওরকত্রবদা
তরং মালং মাইকৈ শলাই মরম মহা ইতা তানদে–
মরোন মরি নাৎপু ইচান চানদে।

অসিরা তাইবং– মসিরা মীওইবগী শাজৎ
কদাইদনো চৎকদবা– থিগদবা লম মচেৎ।

অদুবু হিংনিংবগী অরোইবা পাম্বৈ থিনরিবসিংদগী–
মহৈ মরোং থোরকপা উখিদে হিংঙুবগী।
হিংঙি হায়বসিদসু হিংঙিব্রা হংনরী;
থাজদবা পুনমকতা থাজবা পোকনরী।
থাজরোইদবসি করম্বনো– হায়হৈদবসি নৈরকত্রে–
হিংঙি হায়বসি খংহনবমা চংঙি
ব্রাফমসিদা অমকপা য়াওরকত্রে।

লাওখোংনা হাইহুমনা নোমখোৎনা
হিংবগী খোলাওনা
ফুম নোমহনসি
মচু তানা পুখৎসি।

## মতম

চিঙথৈ হুল্লকপদগী তারমদাই নুংশা মশেক য়েরমলগা,
নুমিদাংগী শুকনা মমবা'ঙানবা খাইদোকলগা
মখানা মথক্তা ওনখৎলি।

অককনবা মতমনা ঐখোয়বু পুদুনা চৎলি
খুৎশা তিংথোকনা
নুংশিংকী মাং থাংনা।

পুনমক মতমগী কল্লবা চুক্লীনা পাইশিদুনা থম্বা ঙম্মী।

ৱাখলগী চিবুকনুংদা
মীগা মীগা লোন ফাওনৌ য়ানরকতবা মতম্না
তরং মালং চুহল্লকলি হাংলবা অতিয়া তন্না।

লম্বী লমহাং ফাওজিল্লকলি ৱাখলগী চিবুকনুংদা
থিনরকলি হৌখিবা মতমগী নুঙায়রবা তম্পাকতা।

## নুংনাংঙুদে কিরুদে

ফৈ হায়না হায়বগীতমক ৱানোমখিবা লৈতে
ৱানমদে হায়না হায়নবমখৈদি মশিং ৱাৎতে।
ফরে খোৎলে হায়না খক হায়বিদে,
অদুগীতমক নুংনাংঙুদে- কিরুদে;
হায়নিংবা হায়জসনু-

অচুম্বা ঙাংবদবু
করি ৱানমলুগদগে
চুমদ্রিংহেক হায়দোকপদবু
করি অমুক লৈয়েং ফাইরুগদগে।

মশাগীতমক ময়েংবদা চোকথনরিবসিগী মনুংদসু
কিনদে নুংনানদে করিসু।

## তেকাপ্পী

শজিক হুনবা অয়ুকতগী তারমদাই নুমিৎকী মশেকফাও
মতমগী অককনবা ক্ষেনফমনা নুমিদাংফাও
তৎতনা চৎথরকলিবা লিতাংনা
ইথক ইরাওহল্লিবা পুনমকনা
মীওইববু শিংনরকলি
অনৌবা থোংগ্রা শাগৎনরকলি।
খোংনেৎনরী খুবৈ চেৎনা
অঙম অঙানবু মতমগী খুরৌনা।
অমম্বদগী অঙানবা তানরকপা লমশাং তম্না
লিচিং কন্না চিংদুনা শানরবসু মানহন্বা ঙমখিদে খমথেংনা।

হলেংদনা থিজিনবতনা মকোক লেপনরিবা
মরুগীনি খন্দোকপদা মচং হুনদোকনরিবা
খৈদোকপদা তেকাপ্পী হেনজনবনা
ব্রাইরকতা মচং তাদুনা
ফৌগা চেংগা ইয়েৎ য়েৎনরে।

অনৌবা ময়োন চোংদরে
নৌহৌননা অরিববু অনৌবা শাগৎতুনা
থিগৎনরী লিতাং চুন্না।



CamScanner

## থোংজিন

মীতৈ নুপীগি ইকাই খুম্নবা ইনফিদি
খাংজেৎ লাকনখিবা কুইরে।
ইকাইথি হায়নবু য়েনাখাদতা
থোংজিন মরুমদতা হৈনজরম্বদুসু থাদোকনরে।



CamScanner

## ইমাগী থম্মোয়দা

ঐগী খুৎ অনিসিনা শেমনিংবা কয়া'মা
শেমজিনবা ঙমদদুনা তোকখিরম্মী খুৎমাদুনা।
ঙাংনিংবা কয়া'মা ঙাংখিরমদে,
ওইথোকতবা অপনবা থেংনগদবা খনবদা।

অদুবু

ইনিং ইখা তন্না খনখিরম্মী নুঙায়রবা ৱাখল
ললোনবা হৌরকখি ৱাখলগী কৈথেলদা।
খোংদাফম খংদনা তারকখিবা খোংদোন্না
তাখিরম্মী মলেমগী শকখংদ্রবা লৈমায়থক্তা।

হাংলবা মালংদা থমনিংঙাই খংদ্রবা খুৎনা
থেংখিরম্মী ইমাগী থম্মোয়দা।



CamScanner

## তেংথারোল

বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা মীতৈরোল ঙাংনরী হায়বসি থাজবিরমদে–
নিংথৌ কোনুং মমাঙদা লেপ্তুনা ইখৌ পোংনা লাওজরম্মী
ঐসে– বাংলাদেশকী মীতৈনি– চুন্নতগী ৱারী লিগে লাকচবা নত্তে;
অদুগা– নিংতম্বগী মী খোম্বা লাকপসু নত্তে।

মীতৈগী মীতৈঙাক ফিঙৌ ফৌনা চৎলম্মী।
কনাসু কনানা অতোপ্পনী খন্নদে,
মীতৈরোলনা ৱাখল ফোংদোকনরম্মী।
অদুক্কী নিংতম্না ইরোলনা ঙাংনবা উবদা
ইরোল থোকতবগুমখ্রে ঐদি।
খোংজোম পেনাগী ঈশৈদগী তাজবা ৱারী নত্তনা
মীতৈগী অকুপ্পা ইতিহাসতি থোইদোকপা খংলমদে।
অদুবু - মণিপুরদগী হৌদোরকপা মীতৈনি হায়বসিদি শেংনা খংলম্মী।

হৌদোকফম মণিপুরবু উজবা ফংবদা
মপান্ নাইদ্রবা সমুদ্রগী ইথক ইরাওখোলদা
তিনখিরম্মী ঐগী হরাও তয়াম্বা পুনমক।
খনখিরম্মী মণিপুরগী মীকুংবা লমজাও অমদা
ইখৌপোংনা মীতৈরোলনা নিংতমনা ঙাংলমগে।
বাংলাদেশতা লৈজরবসু- মীতৈমবু মীতৈমনা কয়াগী মতিক নিংজবগে;
ইমারোলবু কয়াগী মতিক নুংশিজবগে,
ইজাতিবু চেৎনা চান্না নিংজবা পুনমক
মণিপুরগী মীয়ামদা খংহনলমগে।
পাওনা বাজারগী লমজংদা লেপ্পগা, ঐনা হায়খিরম্মী–
মীতৈরোলনা– নিংতম্না অমুকতং ঙাংজরমগে...

হায়বা লোইদ্রিঙৈ–
কদোমদগীনো, সিপাই ময়াম চেনশিল্লকতুনা ফাখিরম্মী।
ঐঙোন্দা হংখিরম্মী– য়ান্না নিংতম্লীংব্রা ?
ঐনা খুমখিরম্মী– সাহেব, লোনগীতমক নিংতম লান্দা

থৱাই কৎপা ঙম্বা বাংলা লৈপাকতগী মীতৈ মচানি–
নিংতম্বা হায়বসি মশক খংজে।

নিংতম্বা...

সিপাইদুনা ঐবু য়েংখিরম্মী ঙক্লা...
নিংতম লান্দা পাকিস্তানগী সিপাইগী মীওৎ মীহিংসা
য়েংহৈদ্রবা তমথিরবা মীহাৎ
হৌনা লীচৎ য়াওদনা নুপীশিংদা শালাক শানখিবা–

মশিং থিঙমদনা তাদুনা লৈবা থৱাই য়াওদবা হকচাংশিংদা
লংজা উমাইবিগী চিঞ্জাক ওইনখিবা
লমহুই, হুইনা অশিবা হকচাং চিংদুনা পুবা
পুনমক উহৌই ...

উম– সিপাইদুনা তারগা হায়রকই
মীতৈ লৈপাকতা চেল্লকত্রিবা করিগিনো

বাংলাগী নিংতম লান্দা মীতৈ ময়াম্না লানগাই ওইবা মতমদা
মণিপুরগী মীতৈশিংনা ঐখোয়বু থিখিদে।

থিখিদে ...

থিখিদে।

মদুগীতমক ৱারৌদে,
অদুবু লৈবাক অমগী হৌনরোলদা পেন্দবা খরা
অৱা লান্দা কাইনখিবা মীতৈ ইচিন ইনাওশিংদো
ঙসিসু থিজিনবা লোইদনা ইতিহাসকী পন্দুপতা চেনা থেকচিন্দুনা থম্মী।
মীতৈ ইচিন ইনাও ইপা ইপুগী খোংগুল লিবা লাকপনী।

ঐগী ৱা ময়ামসে তাবদা
নিংথৌ কোনুঙগী অঙম অথৌ লেংঙকতুনা
ঐবু পুদুনা চৎলম্মী ইবুধৌ নাতৎপগী মোংফমদা।
তর্পন চে'দগী তৎখ্রবা শুরোন কয়াগী মতুংদা

ঐনা অহানবা মণিপুর লৈবাকতা ইবুধৌ নাতৎপগী
মোংফমদা চেংথোইদিং চাইরম্মী।
নুঙানবগী পত্রিকাশিংদা ফোং ফোং শাবা খবরনা ৱাই চাইখি
হকারনা খবর খবর হায়না লাওবদগী মীকপ থোকখিরম্মী।



CamScanner

## মেমচৌবী

মেমচৌবীনা চিং ... না য়েংবদা
মাইকৈদুদা নুংথাং কুপ্পগুম্মী।
চোইজাইনরবা শম্লাংনা মাইথোংদুদা তাথরকপদি
অতিয়াদা পাইবা নোং মপৈরক্তা থোকপা থাজগুম্মী।
ঙমখৈ লৈতনা ফজরবী মাক্কী চেংলৌ উবদা,
নহারোলশিং মেমচৌবীগি খৌরিনপ্পী মোইবুং ওইনিংখি।

অদুদগী –
মেমচৌবী ময়ুম পানখ্রে,
ফিদোং চিংখৎখ্রে,
মচা য়াওখ্রে ।

হৌজিকতি মেমচৌবিদো
শমজেৎ ময়া অতেকপগুম
লনথোকলবা ময়াদু ঙকশং ঙাংলম্মী ।
চোৎলি চোৎলি পাংবা মীৎ অদো
ফ্রিজিং তৌবা ইলিশাগী মীৎকুমলম্মী।
ক্বা খাইনা খাইনা নারুমদা কাবা নুরা নানথোকলম্মী।
মোৎখ্রবা খোংদাই ফনেকতা তৈথোকপা পানাখুদপতুদা
খুজিন লাইপুম থুংলবা খুদোম্বীদুনা শুনু তৈরম্মী।
খরেক কারবা খায়াৎতু কাথোকলগা
ক্বা মতপ নমশিলম্মী, খুদোম্বীনা;
খুদোম্বীদা তোৎলম্বা শুনু তৈথোকলম্মী নিংজোন্দা।

খনজনদ্রবদি করিসু নত্তে
খল্লুরবদি–
ঈশিং চোৎলুবা হৌদোংগুম
তফিং তফিংলমদে।
ময়া তাবা থাংগুম মথৌ য়াওদনা
মেমচৌবিদো–

মচা মৱা হোৎনবদা মপুম থিৎলম্মী।
শুমাং চোন্না তিনবা মীগি মমাংদা
মচা মখোম পিথকলম্মী।
কুম্মৈ ময়োন্দা কোমথরকপা ফনেক
হায়দোকনা ইরেন্না শেৎলম্মী।

ইকাই মৌথিজগনবী মেমচৌবীদো
হান্নগুম ইকাই হংগোই কোকখিরম্মী।



CamScanner

# লাইকোই

মরিনতনবা লৱাই মচাদুগী লমহেনবা মচাদো
মপা লৱাই মচাদুনা কে মৌনা য়োকচৈ।
মথৌ শুনিংদবা, মরিনতনবা মাকসু পোঙজরম্মী,
মনিংজোন্দা লাইকোই অমা থুংবগীতমক।
লমহেনবা মচাদুগী খনবিরুদে
লাইকোই হোৎপদা মপুম থিৎচৈ।
লাইকোই লায়েংনিংদবা–
হোৎলগতা নুঙায়জবা
মরিনতনবদা ফাওজরিবা মাকতি
হোৎলগতা নুঙায়বা হৈনখি।

লৱাই মচাগী লমহেনবা মচাদো
মপাগী লাইকোই হোৎনিঙলকলে,
অদুদগী–
মরিনতন্বা মপাগী মনিংজোন্দা খোৎপিরম্মী।
লমহেনবা মচাদি থৌজিনবা ওইখি
মপাগী লাইকোই হোৎপদা
হোৎলু– লাইকোই নুঙায়বা ফাওহল্লু,
হোৎলু নুঙাইয়ু।
অদুবু
লায়েংবনদি হেন্না ফনী হায়জরুই।
লাইকোই হোৎপদা নুঙায়খিবা মপা মচাদো
লায়েংঙু খক য়াখিদে।

লাইকোই মহিকতা,
হোৎপদা নুঙায়বদা হৈনখ্রবা–
লৱাই মচাশিংগুম
শন্দোরকপা হৌখি
লাইকোই মহিক।

## থম্মোয়মগী নাকতা

মখল মথেনগী মচুরক্তা থম্মোয়না পামজরুবা মচু খনজরুই
মমাই চোন্না তিনবা লম্পাক্তা মীয়াম্না পামজবা ৱাহৈমতং হায়গে হোৎনজরুই।
থাবলগী ইপোমরক্তা নোং মপৈ উরগা মীখৎ তৌজরুই,
থিঙমদ্রবা ৱাখলগী তোর্বান্দা কোইজরুই,
থরো থম্বাল শাৎপা ইপাক্তা চীংগি উচেক তাবা উরগা কল্লকচৈ;
থৌজিনবা খোইমুনা ঙংনা লৈহিক চুপ্পা উরগা মীপাইজে।

থম্মোয়না পামজবতা থিবদা চোকথরবা হকচাংনা,
ককঙাওননা থিরি মাইকৈ খুদিং চৎতুনা–
থম্মোয়মনা থম্মোয়মগী নাকতা;
তৎতনা খোংদাজরুই, খুনাম তাবা লম্বী মথক্তা
ফংনজরুই তং তাবা থম্মোয়গী পামজবা শরুক
তপ্না তপ্না নানথরুই– মাক্কী মকোক
হায়দোকলুই মায়খুম,
থেংনরুই– উইরুম উইরুম,
ফিজি মরুমদগী হায়ফেৎ য়েংবা মাইথোংদা
লাংতকনহনখি থম্মোয়গী চেৎলাকাদা।

# থৌনা

মথৌনাদুগী খল্লুরবদি কল্লকই
চেনখিবদুগী নিংশিংলুবরদি হুই থৌজন্নিংই।

## পোৎথাবা

মথক্তগী মখাদা ওনথরক্কনি খল্লুবদা
নিংজিং মাংজিংহল্লী-লোংনা পোৎথাবা মতমদা।
ওনথরক্কদ্রা নমথরক্কদ্রা খল্লুবনা
নোংমতা পোৎথাবা ঙমদ্রে খুৎশা তিংথোকনা।

## ইন্নফি

মীতৈ নুপীগি ইনফিদি
নীংতম ফিরালগীনি খন্নরকলে।
ময়েক নাইবা ফ নেক,
মোইরাং কাবা ফি;
নিংতম ফিরালগী মচুনি খন্নরকলে।

খুনুং ঈশৈ তান্দ্রবসু
খন্নরকলে, লৈবাক নিংবা ঈশৈ
নোংমদি, শোয়দনা থুপখিদবনি
অদুবু মাংতাকলোইদবা ইতিক ইগুণ
শকহৌরসনু খুনুং ঈশৈ,
ইলহৌরসনু মোইরাংকাবি ফিদুপ;

শেৎলৌরসনু ময়েক নাইবা ফনেক।
নিংতম ফিরালগী মচুনা- ময়েকনা।

## নুপীলান

ইমাশিংগী খ্বাংজেৎ
কোকতা কোয়েৎ থাং,
খুৎতা তেম,
করি থোকলবা য়াই
খংঙি, নুপীলান ওইবা য়াই।

অদুবু; অদুক লাইনা–
খ্বাংজেৎ লাকপদি  নিংতম্বা হনজনবনি।
কোয়েৎতি ইকাই খুম্নবা উৎপনি
খুৎকী তেমনা তেমশনবনি।

হন্দকতি কনাগী শকলোন মাল্লি
ইমাগী নত্তনা কনাগী ওইগনি
পুনমক ইমাগীনি।

ঈহৌনি
ঈরাংনি
শাফুনি
নোংলৈনি
নুপীলাননি।

## হিকু থুনরে

মণিপুরবু মণিপুরতগী খন্বা হৈনদবা ঐনা
ঐগীসু হৌরকফমনি হায়জরুই।
ইতিহাসকী চেনা অমনবা ফাকনা শানজরুই,
তমথিরবা চহি তরেৎ খুনতাকপগী  খোঙচৎতা
মচেৎ মচেৎ চোইজাইনখি,
শাগৈ নাতৈ চফু কাইনদরে
মহৌশা লীচৎ হনজিল্লকলে।

নুঙগী ৱাখলদা হিকু থুনরে
লুহোং ফানদা ফিঙাং থানরি।

## ঙমখৈ তম্না

সিদরা লৈরিসে সিদনবা
হিদেন তাফম খোংগুন লিনবা।
কনাদসু হাইদোকত্রি খংখিদ্রা কিবনা
লিবু লিরুরদি  লিরুং তেন্না
মাইকৈ শলাই নাইরোই।

খোঙচৎতুদা মাকসু য়াওরিবনি
খঙনদবগী ৱাতনি।
ৱারী শানখিবা লৈখিদে–
লোনমতা ফাওনখিদে, জ্ঞান চৎথবা ঙমখিদে
শে মাই হাইনখিদে, নাকপক তানদে।
চৎপদি ঙম শানখি,
লানথোরখিবা লমতুপশিংনা মাংদা অমুক লেপলখি
মাংগীনা তুংদা লৈথখি।

হায়রম্মী নোংমদি শোয়দনা উনগনি তোর্বান্দা,
শিদনবা শাজেন তান্নরিবা লমজেনদা।



CamScanner

## লমজেন

লাম্মিবসি চাকনি
খৌরাংলিবসিসু ঈশিংনি
হিংবা হায়রিবসি চাবগিরা
চানবা লাকপা তাইবংরা
চাক লাম্বা মতমদা মহুৎ শিনবা য়াদবা
পোৎচংঙাকনি মীওইবনা পামনরিবা।

জ্ঞান তানদবা মতমদা কনথি কারিবা
লাম্বা পাবদা মুকনা শানরিবা
লমজেননি– তানরিবা মাং থানবা,
থুকৎনরিবা, মীপাই থিনরিবা পুনমক ;
চাংয়েং তানবদা চাংতাদনবা হেন্নমক–
মপুম থিৎনবা– মাকনা মাকনা ঙম্নবা
ঙমখৈ তম্না য়ৌনবা।



১৯৫৫ ইংগী থৰান থাগী নুংথাংমদা মৌলভীবাজার জেলাগী মনুং চনবা ভানুবিল খুন্দা পোকপনি। আমুজাও ঐবু পোকপা পাবনি। অমুবী নাওকোনবী ইমানী। চন্দ্রকলা ঐগী অৰা নুঙায় পুন্সিগী খোঙচৎ খুদিং শাগোন্নরিবনি। লেইশেম ইচানুপানি। লিকলা ইচানুপিনি।

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুপকী সভাপতি ওইনা থবক পুরি।

CamScanner

CamScanner